# ৱর্ল্ড কপ্তা উবা ফংলরোইদ্রা হায়না পাখৎনরম্বা মোহম্মদ সলা ইজিপ্তকী ৱর্ল্ড কপ স্কাদকী মমিং লাউথোকপদা য়াওখ্রে




কাইরো, জুন ০৪ (এজেন্সী) : হন্দক্তা য়ুক্রেনগী সিটি কিয়েটতা শান্নখিবা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স ফুটবোল লীগকী ফাইনেলদা ইংলেন্দগী ক্লব লিবরপুলগী মায়কৈদগী য়ান্না মরু ওইবা শান্নরোয় অমা ওইনা স্পেনগী রিএল মাদ্রিদকা লম্বা তৌনবদা অহানবা হাফ ময়ায় চনশিল্লকপদা লেংজুম শোকপদগী ফাইনেল মেচ অদু মখা তানা শান্নবা ঙমদনা ফুটবোল পামজবা মীয়ামগী থাজবগী ৱাংমদা শান্নবা ঙমখিদবা অদু রুসিয়াগী ৱর্ল্ড কপ্তা উররোইদ্রা হায়না খন্নরম্বা অদু ইজিপ্টকী ৱর্ল্ড কপ শরুক য়াগদবা টিমগী মমিং লাউথোকপদা য়াওখ্রে।

ইজিপ্টসিয়ন ফুটবোল এসোসিএসন্না ঙসি লৈবাক অদুগী রুসিয়াগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ্তা টিম অদুগী শান্নরোয় ২৩গী মমিং লাউথোকপদা লেংজুম শোক্তুনা লৈরিবা মোহম্মদ সলাগী মমিং য়াওখিবনি।

কুমজা ১৯৯০গী মতুংদা ইজিপ্টনা লৈবাক অদুগী ফুটবোলগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা ফিফা ৱর্ল্ড কপ্তা শরুক য়াগদৌরিবা অদুদা টিম অদুগী মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা শান্নগদৌরিবা মোহম্মদ সলা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ফাইনেল মেচ অদুদা মহাক্না লিবরপুলগী মায়কৈদগী শরুক য়ারকপদা লম্বা ওইখিবা টিম স্পেনগী রিএল মাদ্রিদকী কেপ্তেন সর্জিও রামোসকা বোল মুন্নবদা ওইথংবা লেংজুম শোক্তুনা ফাইনেল মেচ অদুগী মখা তাবা শরুক শান্নবা ঙমখিদবনি।

পনবা য়াই, মোহম্মদ সলানা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী মরুওইবা টিম অমা ওইরিবা লিবরপুলদা শরুক য়াদুনা টিম অদুগী ওইনা হন্দক্কী সিজন অদুদা গোল ৪৪ চন্দুনা লিবরপুলগী অনৌবা গোল খ্বাইদগী য়াম্না চনবা ঙম্বগী রেকোর্দ অদু থম্বা ঙমখিবনি। মহাকপু ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ওইনা ২০১৭-১৮গী ওইনা খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয়গী মনা অদু পীখি।



পনবা য়াই, হৌজিক হৌজিক স্পেনগী সিটি ভেলেন্সিয়াদা মহম্মদ সলা মহাক্কী অশোকপা ওই থংবা লেংজুম অদু অথুবা মতমদা ফননবা লায়েংদুনা লৈরি।

ইজিপ্টসিয়ন ফুটবোল এসোসিএসন্না ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না লৈবাক অদুনা জুন ১৫দা গ্রুপ এদা অহানবা ওইনা উরুগ্বেগা লম্বা তৌনগদবা মেচ অদুদা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা লৈরোইদৌরি। মহাকপু লায়েংলিবা ডাক্তরশিংগী মায়কৈদগীসু য়ামদ্রবদা মহাক্কী অশোকপা অদু চয়োল ৩ লোমদি ফনবা হোৎনবদা চঙখিগনি হায়রি।

ইজিপ্টনা অহানবা মেচ অদু উরুগ্বেগা জুন ১৫দা শান্নরবা মতুং জুন ১৯দা য়ূম্বু রুসিয়াগা শান্নরবা মতুং সাউদি অরাবিয়াগা জুন ২৫দা লম্বা তৌনগদৌরি।

# ইন্দিয়ানা থাইলেন্দবু রন ৬৬তা মায়থীবা পীখ্রে, বংলাদেশনা পাকিষ্টানবু অদুগা শ্রী লঙ্কানা মলেসিয়াবু থোইবা ঙমখ্রে



কোলা লম্পুর, জুন ০৪ (এজেন্সী) ঃ মলেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা ৭শুবা ৱুমেন্স এসিয়া কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ৫শুবা মেচতা ইন্দিয়ানা থাইলেন্দবু রন ৬৬তা মায়থীবা পীখ্রে। ৪শুবা মেচতা বংলাদেশনা পাকিষ্টানবু ৱিকেট ৭তা অদুগা ৬শুবা মেচতা শ্রী লঙ্কানা মলেসিয়াবু রন ৯০দা মায়থীবা পীখ্রে।

মলেসিয়াগী কোনুং কোলা লম্পুরদা লৈবা রোয়ল সেলাঙ্গোর ক্লবকা ঙসি শান্নখিবা ইন্দিয়া অমসুং থাইলেন্দগী মেচ অদুগী টোস থাইলেন্দনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। মদুদা ইন্দিয়াগী বেটচৰুমেনশিংনা অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৪ আউট ওইরগা রন ১৩২ লৌখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বেটচৰুমেনগী মায়কৈদগী মোনা মেশ্রাম অমসুং স্ম্রিতি মন্ধনানা ইন্নিংস হৌরকপদা অহানবা ৱিকেটকিদমক রন ৫৩ হাপচিনখি।

ইন্নিংসকী ওভর ১০শুরকপদা মন্ধানা বোল ২২দা রন ২৯ লৌরম্লগা আউট ওইখি। মহাক্না সিক্স অনী অমসুং ফোর ১ য়ৈরমখি। মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবী ভেদা কৃষ্ণমুরুটি রন ১১দা আউট ওইখি। ইন্দিয়াগী অপুনবা রন ৭৬ লৈরিঙৈদা অঞ্জুলা পাটিল শান্নবা চঙলকখি। ইন্নিংসকী ১৪শুবা ওভরদা ইন্দিয়াগী ওপনর মোনা মেশ্রামনা মহাক্কী অপুনবা স্কোর অদু ৩২ য়ৌরকপদা আউট ওইদুনা ইন্দিয়াগী স্কোর বোর্দতা রন ৭৭ শুরকপদা শান্নরোয় ৩ আউট ওইরগা রন ৭৭ লৈখি। মোনানা বোল ৪৫ মায়োক্লদুনা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদুবু মতম শাংনা কন্দুনা থমদুনা ফোর ২ য়ৈরম্লগা আউট ওইখিবনি।

অঞ্জুলা পাটিল অমসুং কেপ্তেন হর্মনপ্রিট কোরনা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর অদু ১২৬ য়ৌহল্লকখি। পাটিল বোল ২১দা ফোর ২ য়ৈরগা রন ২২ লৌরম্লগা আউট ওইখি। পুজা ভস্ত্রাকর শান্নবা চঙলকখি। লেমহৌবা বোল ২দা ইন্দিয়ানা মখা তানা রন ৬ হাপচিল্লগা ইন্নিংস অদু ৱিকেট ৪ তুরগা রম ১৩২দা লোয়শিনখি।

মেচ অদু মায়পাক্নবা থাইলেন্দগী শান্নরোয়শিংনা রন ১৩৩ লৌবগী টার্গেট লৈখি। অদুবু ইন্দিয়াগী বোল্লরশিংনা য়াম্না ফজনা শান্নরকপদগী টিম অদুনা অপুনবা ওভর ২০ শান্নবা ঙল্লবসু ৱিকেট ৮ তুরগা শুপ্নগী রন ৬৬খক লৌখিবদগী মেচ অদু মখোয় ইন্দিয়াগী মখুত্তা রন ৬৬তা মায়থীবা নঙখি।

থাইলেন্দগী বেটচৰুমেন নথায়া বুসাথমনা বোল ৪০দা রন ২১ লৌরম্বা অদুনা খ্বায়দগী ফজবা পর্ফোমেন্স ওইখি। মহাক্কী ইন্নিংস অদুদা বাউন্দরি অমত্তা য়ৈবা ঙমখিদে। টিম অদুগী ওপন্নর নারুমোল সাইৱাইনা বোল ২৮দা রন ১৪ লৌখিবা অদুদা ফোর অমা য়ৈখিবা অদুনা টিম অদুগী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা বাউন্দরি অদু ওইখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী কেপ্তেন হর্মনপ্রিট কোরনা শুপ্নগী রন ১১খক পীরগা ওভর ৩দা ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা বোলিংগী পর্ফোমেন্স ওইখি। ওভর ২০ শুরকপদা থাইলেন্দগী মায়কৈদগী ৱিকেট ৮ তুরগা শুপ্নগী রন ৬৬ লৌরগা ইন্নিংস লোয়শিনখিবদগী মেচ অদু ইন্দিয়ানা থাইলেন্দবু রন ৬৬তা থোইখি।

ঙসি শান্নখিবা অঙনবা মেচ অমদা বংলাদেশনা পাকিষ্টানবু ৱিকেট ৭তা থোইবা ঙমখি। মেচ অদুগী টোস বংলাদেশনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। মদুদা পাকিষ্টানগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০ মপুংফানা শান্নরবসু ৱিকেট ৫ তুরগা রন ৯৫দা ইন্নিংস লোয়শিনখি। মদুগী পাউখুমদা বংলাদেশকী শান্নরোয়শিংনা ওভর ১৮গী মঙাশুবা বোলদা ৱিকেট ৩ আউট ওইরগা রন ৯৬ লৌদুনা মেচ অদু বংলাদেশনা ৱিকেট ৭তা থোইবা ঙমখি।

পনবা য়াই ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা মেচতা য়ুম্বু মলেলিয়াবু শ্রী লঙ্কানা রন ৯০দা থোইখি। মেচ অদুগী টোস শ্রী লঙ্কানা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুনা অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৩ আউট ওইরগা রন ১৩৬ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈগী য়সোদা মেন্দিসনা বোল ২৯দা রন ৩৬ লৌদুনা খ্বায়দগী ফজবা শান্নরোয় ওইখি।

মেচ মায়পাক্নবা মলেসিয়ানা রন ১৩৭ লৌনবা হোৎনরকপদা ওভর ২০ শান্নবা লোয়শিল্লকপদা ৱিকেট ৭ আউট ওইরগা শুপ্নগী রন ৪৬খক লৌখিবদগী মেচ অদু শ্রী লঙ্কানা মলেসিয়াবু রন ৯০দা মায়থীবা পীখি।

# ইন্দিয়াগী আনন্দ ৬শুবা মেচ দ্রো চংখ্রে, ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন কালর্সন য়ু এসকী ৱেসলি সোনা মায়থীবা পীখ্রে

ষ্টাবেঙ্গর, জুন ০৪ (এজেন্সী) ঃ নোর্ৱেগী সিটি ষ্টাবেঙ্গরদা পাঙথোকপা অলটিবোক্স নোর্ৱে চেছ টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর বিশ্বানাথন আনন্দ ৬শুবা রাউন্দ দ্রো চংখ্রে। য়ূম্বু লৈবাক অদুগী শান্নরোয় ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা অদুগা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয়সু ওইরিবা গ্রান্দ মাষ্টর মেগনস কালর্সন য়ু এস এগী ৱেসলি সোনা মায়থীবা পীখ্রে।



ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ৫রক ওইবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী বিশ্বানাথন আনন্দনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা রাউন্দদা অজরবাইজানগী গ্রান্দ মাষ্টর সাখ্রিয়া মামেদিয়ারোবকা লম্বা তৌনবদা ৬শুবা রাউন্দ অদু মুভ ৩২ য়ৌরকপদা মায় পাকপগী লম্বেল উবা ঙম্নখিদবদগী দ্রো চৎপদা য়ানখিবনি।

অতোপ্পা গেম অমদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ূম্বু নোর্ৱেগী শান্নরোয় গেমনস কালর্সন্না য়ু এস এগী ৱেষ্টলি সোগা লম্বা তৌনরকপদা মুভ ৪৪ শুরকপদা কালর্সনগী মায়কৈদগী ঙাকথোকপা য়াবা তাঞ্জা ফংখিদবদগী গেম অদু ৱেসলি সোনা থোইখি।

পনবা য়াবদি ৱেসলি সোগী কেরিয়রদা ঙরাং মেগন কালর্সনবু মায়থীবা পীখিবা অদুনা মহাক্কী অহানবা শান্নরোয় অদুগা লম্বা তৌনবদা মায় পাকপা ওইখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা রাউন্দ অদুদা ৱেসলি সোনা মেগনস কালর্সনবু মায়থীবা পীখিবা অদু নত্তনা অতোপ্পা গেমশিং অদুদি দ্রো লোইনা চৎখি। আর্মিনেগী শান্নরোয় গ্রান্দ মাষ্টর লেবোন অরোনিয়ান্না য়ু এস এগী গ্রান্দ মাষ্টর ফাবিয়ানো কারোনাগা লম্বা তৌনবদা দ্রো চৎখি। ফ্রান্সকী শান্নরোয় গ্রান্দ মাষ্টর মেক্সিম লাগের্টনা য়ু এস এগী অতোপ্পা শান্নরোয় হিকারু নাকামুরাগা লম্বা তৌনবদা গেম অদুসু দ্রো চৎখি। অদুগা রুসিয়াগী শান্নরোয় সর্গে কার্জাকিন তরুকশুবা রাউন্দ অদু বাই ফংদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা মেগনস কালর্সন্না পোইন্ট ৩.৫ ফংলগা মকোক্তা লৈরি। মহাকপু মায়থীবা পীরম্বা য়ু এস এগী ৱেসলি সোনা পোইন্ট ৩ ফংলগা আর্মিনিয়াগী লেবোন আর্মিনিয়াগা পূন্না ২শুবা পোজিসন্দা লৈমিন্নরি।

পোইন্ট ২.৫ ফংদুনা ইন্দিয়াগী বিশ্বানাথন আনন্দ, অজরবৈজানগী সখ্রিয়ার মামেদিয়ারোব, য়ু এস এগী ফাবিয়ানো কারোনা, লৈবাক অদুমক্কী হিকারো নাকামুরা অমসুং রুসিয়াগী সর্গে কর্জাকিন পোইন্ট ২.৫ ফংলগা ৩শুবা পোজিসন্দা পূন্না লৈমন্নরি।

## পেস এসিয়ন গেমসকীদমক খনখ্রে

ন্যু দেল্লি, জুন ০৪ (এজেন্সী) ঃ ইন্দিয়াগী টেনিসকী লমদা মমিং লৈরবা শান্নরোয় লিএন্দর পেস চহী অসিগী ওগষ্ট ১৮দগী ইন্দোনেসিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়াগী টেনিস শান্নরোয় ১২ মমিং লাউথোকপদা মহাকসু য়াওখ্রে।

ওল ইন্দিয়া টেনিস এসোসিএসনগী মায়কৈদগী নুপী ৬ য়াওনা অতোপ্পা নুপা ৬কী মমিং লাউথোরকপা অদুদা হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলসকী নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবা য়ুকি ভাম্ব্রিগী মমিংদি য়াওখিদে।

এসিয়ন গেমসকী টেনিস ইভেন্টশিং অদু ইন্দোনেসিয়াগী সিটি পালেমবাংদা ওগষ্ট ১৯দগী হৌরগা ২৯ ফাওবা শান্নগদৌরি। ভাম্ব্রি ৱর্ল্ড নম্বর ৯৪দা লৈবা মরম্না ওগষ্ট ২৭তগী হৌগদৌরিবা য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম য়াওনবগীদমক্তা এসিয়ন গেমস অসিদা মহাকপু পোত্থাহনখিবনি হায়রি। অতোপ্পা নুপাগী শান্নরোয়শিং অদুদি আর রামানাথন, পি গুনেশ্বরন, আর বোপান্না অমসুং দি সরননি। নুপীগীদা অনকিটা, কে থন্দি, আর ভোসালে, পি য়াদালাপলি, আর ভটিয়া অমসুং পি থোমবারেনি।

## কসাটকিনানা ৱোজনিয়াকি মায়থীবা পীদুনা ফ্রেন্স ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

পেরিস, জুন ০৪ (এজেন্সী) ঃ রুসিয়াগী শান্নরোয় দারিয়া কসাটকিনানা ঙসি শান্নখিবা চহী অসিগী অনীশুবা গ্রান্দ স্লাম টেনিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফ্রেন্স ওপন টেনিসকী নুপীগী সিঙ্গলসকী ৪শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা দেমার্ক্কী কেরোলিন ৱাজনিয়াকিবু মায়থীবা পীদুনা মশাগী কেরিয়রগী অহানবা গ্রান্দ স্লামগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৪শুবা সীদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবী রুসিয়াগী দারিয়া কসাটকিনানা ৱার্ল্ড নম্বর টু শান্নরোয় দেনমার্ক্কী কেরোলিন ৱাজনিয়াকিবু য়াম্না অকন্বা লম্বা তৌরবা মতুং ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। ঙরাং অথেঙবদা শান্নবা হৌখিবা মেচ অদু উবগী চাং ৱাৎপদগী লোয়শিনবা ঙমদনা লৈখিবা অদু ঙসি লোয়শিনখি।

ফ্রেন্স ওপন গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট অসিগী ১৪শুবা সীদেদ শান্নরোয় ওইরিবী দারিয়া কসাটকিনানা চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট ওইখিবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী চেম্পিয়ন দেনমার্ক্কী কেরোলিন ৱাজনিয়াকিবু অহানবা সেটতা য়াম্না নক্নবা লম্বা পীদুনা টাইব্রেক্তা পুরকখিবনি। টাইব্রেক অদুদা মশাগী চহী ২১দা ঙাইরিবী কসাটকিনানা পোইন্ট ৭-৫দা থোইদুনা অহানবা সেট অদু কেরোলিন ৱাজনিয়াকিবু সেট অমা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

ঙরাং শান্নখিবা অদুদা সেট অমা হেন্দুনা লৈরবা মতুং অনীশুবা সেট অদুদা গেম ৩-৩দা মান্নদুনা লাকখিবনি। মখাতারকপদা কসাটকিনানা ৱোজনিয়াকিগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা খুদোংচাবা হেনখি। ৪শুবা রাউন্দগী মেচ অদুগী লেমহৌবা গেমশিং অদুদা কসাটকিনানা মহাক্কী সার্ভি গেম হোল্ড তৌবা ঙমখিবা অদুনা মরম ওইরগা সেট অদু মহাক্না ৬-৩দা থোইদুনা মহাক্কী কেরিয়রগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টেনিস টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

রুসিয়াগী দারিয়া কসাটকিনানা সেমিফাইনেল য়ৌননবগীদমক্তা ইষ্টোনিয়াগী শান্নরোয় কোন্টাভিটপু য়াম্না কোম্না ৬-২, ৬-০দা থোইদুনা লাকখিবী য়ু এস এগী স্লোনে ষ্টেফান্সকা লম্বা তৌনরগনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ — ৭২

১। ওলেম্পিক্কী হোকিগী মেচ অমদা অম্পায়রগী ৱারেপ য়ানীংদবদগী টিম অমদি হোকি ষ্টিকশিং (মখোয়না পায়রিবা) অদু শান্নফম মনুংদা লৈমায়দা থাদদুনা থনম্লগা মপান থোকখি। মখোয় ফিল্ড (শান্নফম মনুং) দা অমুক হল্লকখিদে। মতম হৌখিদুনা মেচ অদু লোইশিনখি। মপান থোকখিবা টিম অদুগী মমিং হায়ু?

২। অরথর ব্রোউলো শগোল কাংজৈগা মরী লৈনবা নুপানি। মুক্নাগী নিঙ্গোং হায়বা টেক্নিক অসিগা করম্বা লাইগা মরী লৈনবগে?

৩। মহাক অফ্রিকাদা লৈরিবা উচেকশিংগী মরমদা চহী ৪০ হেন্না থিজিন খোৎচিন্দুনা মহাদেশ অসিগী উচেক্কী মরমদা লাইরিক ভোল্যুম ৬ ইখি। কুমজা ১৯২৪গী পেরিস ওলেম্পিক্তা মহাক শুটিংগী থৌরমদা মেদল অহুম ফংখি। মহাক্না চহী ৬০শুবা মতমদসু কুমজা ১৯৫২দা পাঙথোকখিবা হেলশিনকি ওলেম্পিক্তা শরুক য়াখি। মহাক্কী মমিং হায়ু?

৪। কুমজা ১৯৭০দা অসামগী বোরপেটাদা পাঙথোকখিবা ওল অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মণিপুরসু তোঙানবা টিম অমা ওইনা শরুক য়াখিবদা গুৱাহাটিবু ফাইনেলদা পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি। টিম অদুগী কেপ্তেন ওইখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং হায়ু?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

### রুসিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০১৮গী অপূনবা সেদ্যুল ইন্দিয়ন ষ্টেন্দর্দ টাইমদা পীরি

| Date | Team 1 | VS | Team 2 | Venue | Time |
|---|---|---|---|---|---|
| Jun 14 | Russia | v | Saudi Arabia | Moscow | 20:30 |
| Jun 15 | Egypt | v | Uruguay | Ekaterinburg | 17:30 |
| Jun 15 | Morocco | v | Iran | St. Petersburg | 20:30 |
| Jun 15 | Portugal | v | Spain | Sochi | 23:30 |
| Jun 16 | France | v | Australia | Kazan | 15:30 |
| Jun 16 | Argentina | v | Iceland | Moscow | 18:30 |
| Jun 16 | Peru | v | Denmark | Saransk | 21:30 |
| Jun 16 | Croatia | v | Nigeria | Kaliningrad | 00:30 |
| Jun 17 | Costa Rica | v | Serbia | Samara | 15:30 |
| Jun 17 | Germany | v | Mexico | Moscow | 20:30 |
| Jun 17 | Brazil | v | Switzerland | Rostov-On-Don | 23:30 |
| Jun 18 | Sweden | v | South Korea | Nizhny Novgorod | 15:30 |
| Jun 18 | Belgium | v | Panama | Sochi | 20:30 |
| Jun 18 | Tunisia | v | England | Volgograd | 23:30 |
| Jun 19 | Colombia | v | Japan | Saransk | 15:30 |
| Jun 19 | Poland | v | Senegal | Moscow | 20:30 |
| Jun 19 | Russia | v | Egypt | St. Petersburg | 23:30 |
| Jun 20 | Portugal | v | Morocco | Moscow | 15:30 |
| Jun 20 | Uruguay | v | Saudi Arabia | Rostov-On-Don | 20:30 |
| Jun 20 | Iran | v | Spain | Kazan | 23:30 |
| Jun 21 | Denmark | v | Australia | Samara | 15:30 |
| Jun 21 | France | v | Peru | Ekaterinburg | 20:30 |
| Jun 21 | Argentina | v | Croatia | Nizhny Novgorod | 23:30 |
| Jun 22 | Brazil | v | Costa Rica | St. Petersburg | 15:30 |
| Jun 22 | Nigeria | v | Iceland | Volgograd | 20:30 |
| Jun 22 | Serbia | v | Switzerland | Kaliningrad | 23:30 |
| Jun 23 | Belgium | v | Tunisia | Moscow | 15:30 |
| Jun 23 | South Korea | v | Mexico | Rostov-On-Don | 20:30 |
| Jun 23 | Germany | v | Sweden | Sochi | 23:30 |
| Jun 24 | England | v | Panama | Nizhny Novgorod | 15:30 |
| Jun 24 | Japan | v | Senegal | Ekaterinburg | 20:30 |
| Jun 24 | Poland | v | Colombia | Kazan | 23:30 |
| Jun 25 | Uruguay | v | Russia | Samara | 19:30 |
| Jun 25 | Saudi Arabia | v | Egypt | Volgograd | 19:30 |
| Jun 25 | Spain | v | Morocco | Kaliningrad | 23:30 |
| Jun 25 | Iran | v | Portugal | Saransk | 23:30 |
| Jun 26 | Australia | v | Peru | Sochi | 19:30 |
| Jun 26 | Denmark | v | France | Moscow | 19:30 |
| Jun 26 | Nigeria | v | Argentina | St. Petersburg | 23:30 |
| Jun 26 | Iceland | v | Croatia | Rostov-On-Don | 23:30 |
| Jun 27 | South Korea | v | Germany | Kazan | 19:30 |
| Jun 27 | Mexico | v | Sweden | Ekaterinburg | 19:30 |
| Jun 27 | Serbia | v | Brazil | Moscow | 23:30 |
| Jun 27 | Switzerland | v | Costa Rica | Nizhny Novgorod | 23:30 |
| Jun 28 | Japan | v | Poland | Volgograd | 19:30 |
| Jun 28 | Senegal | v | Colombia | Samara | 19:30 |
| Jun 28 | Panama | v | Tunisia | Saransk | 23:30 |
| Jun 28 | England | v | Belgium | Kaliningrad | 23:30 |
| Round of 16 | | | | | |
| Jun 30 | 1C | v | 2D | Kazan | 19:30 |
| Jun 30 | 1A | v | 2B | Sochi | 23:30 |
| Jul 01 | 1B | v | 2A | Moscow | 19:30 |
| Jul 01 | 1D | v | 2C | Nizhny Novgorod | 23:30 |
| Jul 02 | 1E | v | 2F | Samara | 19:30 |
| Jul 02 | 1G | v | 2H | Rostov-On-Don | 23:30 |
| Jul 03 | 1F | v | 2E | St. Petersburg | 19:30 |
| Jul 03 | 1H | v | 2G | Moscow | 23:30 |
| Quarter-Finals | | | | | |
| Jul 06 | W49 | v | W50 | Nizhny Novgorod | 19:30 |
| Jul 06 | W53 | v | W54 | Kazan | 19:30 |
| Jul 07 | W55 | v | W56 | Samara | 19:30 |
| Jul 07 | W51 | v | W52 | Sochi | 23:30 |
| Semi-Finals | | | | | |
| Jul 10 | W57 | v | W58 | St. Petersburg | 23:30 |
| Jul 11 | W59 | v | W60 | Moscow | 23:30 |
| Play-off for third place | | | | | |
| Jul 14 | L61 | v | L62 | St. Petersburg | 19:30 |
| Final | | | | | |
| Jul 15 | W61 | v | W62 | Moscow | 20:30 |